**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-10-2025)**

**ডে (এল)ঃ** ঙসি মালেমগী চিঞ্জাক্কী নুমিৎ পালন, পৃথিবী লৈবাক কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকরি।

মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইদা চিঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈহন্দনা দরকার লৈবা চিঞ্জাকশিং নীংথিনা ফংহন্নবগী পান্দমদা কুমজা ১৯৪৫ দা য়ুনাইটেদ নেসন্স ফুদ এন্দ এগ্রীকলচর ওর্গনাইজেসন লিংখৎখি। নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা চহি খুদিংগী ওক্তোবর ১৬ তা মালেমগী চিঞ্জাক্কী নুমিৎ পালন পাঙথোক্তুনা লাক্লি। পালন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্নন উন্নবা অমদা রাজ্যগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দাইরেক্তর-করাম বোনোনা হায়-হেন্না ফবা তুংলমচৎ অমগীদমক হেন্না ফবা চিঞ্জাক ফংহন্নবা ঐখোয় খুৎশমনা চৎমিন্নরসি হায়বা ৱাখল্লোন্দা কুমশি চহিগী ওইনা পালন থৌরম অসি মালেম শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি। ভারতপুসু মীয়ামদা চিঞ্জাক নীংথিনা ফংহন্নবগী অখন্নবা খোঙথাং অমা ওইনা কুমজা ২০১৩ দা হৌদোকখিবা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্টকী মখাদা এ.এ.ৱাইগী কার্ড পায়বা ইমুংশিংদা থা অমদা চেং কিলোগ্রাম ৩৫ লেমা পীরি। পি.ঐচ.ঐচ. কার্ড পায়বা ইমুংশিংগী মীওই অমমমদনা থা অমদা চেং কিলোগ্রাম মঙা-মঙা ফংহল্লি।

মহাকা হায়-মনিপুরগী ওইনা এ.এ.ৱাইগী বিনিফিসরি মশিং অসি লাখ অমা লিশিং ৯০,৫৭২ নি। অদুগা পি.ঐচ.ঐচগী বিনিফিসরি মশিং অসিনা লাখ ১৮ লিশিং ৯৬,৭১১ নি। রাজ্য অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৭৩ এক্ট অসিগী মখাদা কোনশিনদুনা স্কিম অসিগী কান্নবশিং ফংহল্লি।

**কনক্লেপ (এল)ঃ** ইন্দিয়ান হিমালয়ন রিজন ক্লাইমেট চেঞ্জ কনক্লেপ ঙসিদগী

ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা হৌরগনি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিনদুনা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কদবা কনক্লেপ অসি রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-পুনিত কুমার গোয়লনা হৌদোক্কনি। হয়েং লোয়শিনবা নুমিৎতা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা শরুক য়াগনি। কনক্লেপ অসিদা হিমালয়ন লমদমদা লৈরিবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য ১২ দগী লাকপা মীহুৎশিং শরুক য়াগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্নগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

অককবা পাউশিং ফংবদগী থিবা হুন্নগী থবক চথবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওই কয়া ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হাউবম মরক লৌরেম্বম লৈকাই এরিয়াদা থিবা হুন্নগী থবক চথবদা য়ু.এন.এল.এফ (পি) গী মীওই অনি ফারে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন অনি ফংলে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কাইরং চিংয়া অৱাং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ঙরাংসু কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ঙারিয়ান চিংখোঙদগী প্রিপাক্কী মীওই অনি ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা এলেক্স ফার্মদগী দ্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মখোয়দগী সাপোন কেপ ২২৫ দা হাপ্তুনা পুরম্বা ব্রাউন্দ সুগর কিলোগ্রাম তরারোম ফারে।

**চাক্কৌবা(এল)ঃ** রিলিফ কেম্পতা লৈরিবী নিঙোলশিংবু লৈঙাকা অমসুং লন্নাই লুপশিংনা অঙন্বা থাক্তা চাক্কৌবিয়ু হায়না সলাই অপুনবা নুপী লমজিং লুপ (সনুলাল) না আপিল তৌরি।

লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-থিংনাম অবেথোইনা হায়-চহি অনি মখায়রোম ফাজিল্লক্লবা ইরাং অসিদগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিংগী পুন্সিদা অৱাৎপা কয়া লৈরিবনি। অসিগুন্বা অৱাবা চৈথেং কয়া খাঙলিবী নিংঙোলশিংবু মীয়াম চংদুনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনদুনা চাক্কৌবীরবদি মখোয়গী পুকিং ৱাখল খজিক্তং ওইরবসু নুংঙাইহনবা ঙমগদৌরিবনি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ইনফোরমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না কুমজা ২০২৪ গী ওইনা ৭২ শুবা নেসনেল ফিল্ম এৱার্ডকীদমক শরুক য়ানিংবশিং কৌরি।

মনিপুরদা লৈরিবা ফিল্ম মেকরশিংনা জাতিগী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিল্মশিং অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম অসিদা য়াওহৌনবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিনা আপিল তৌরি।

**এআর (এল)ঃ** মালেমগী মহৈরোইশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ঙরাং চান্দেল জিলাগী ওল্ড সোমতাল, ন্যু সোমতাল, কাচিনবুং, তুইতোং অমসুং সেলোং খুলশিংদা মহৈ মশিং তম্বগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া অসাম রাইফলসনা শিনদুনা পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়-হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা মহৈ মশিং নীংথিনা তমহন্দুনা মনুং হুনজিন্না লৈরিবা শোখরিবা মফমশিং চাউখৎহন্নবা থৌদাং লৌহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি শিনবনি।

অমরোমদ, ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা ভারত লান্মীনা কাংপোকপী জিলাগী হেংজাং খুলদা অফবা মখলগী ঈশিং পুনবা পাইপশিং মতেং পাংখ্রে। মসি

মফম অদুগী মীয়ামদা অফবা থকবা ঈশিং নীংথিনা ফংহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি হায়রি।

**মোদিঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা বিহার বিধান সভা মীখলগা মরী লৈননা বি.জে.পিগী বুথ লেবেল ৱাকরশিংগা ৱারী শান্নখ্রে।

মেরা বুথ সবসে মজবুথ কেম্পেইনগী মখাদা মহাকা দল অসিগী ৱাকরশিংগা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা শ্রী মোদিনা বুথ ৱাকরশিংদা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিংগী কান্নবা মখোয়গী ইমুং মনুংদা নীংথিনা খঙহন্নবা পাউতাক পীখি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা বিহারগী নুপীশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-নুপীশিংদা থবক পীবগা মরী লৈননা হন্দক্তা এন.দি.এ. সরকারনা হৌদোকখিবা স্কিম অদুনা রাজ্য অদুগী নুপীশিংদা কান্নবা কয়া পীরি। পুন্না নুপী কোতি অমা লাখ ২০ লোমগী একাউন্টশিংদা লুপা লিশিং তরা-তরা ফংহনবা ঙমখ্রে।

**সাহঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ন্যু দিল্লিদা এক্সত্রাদিসন ওফ ফ্যুজিটিবস চেলেঞ্জেস এন্দ ষ্ট্রেটেজিসগী মতাংদা পাঙথোক্কদবা মীফম অমা ওসি হৌদোক্কনি।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা সি.বি.আইনা শিনবা মীফম অসিদা কেন্দ্রগী অমসুং রাজ্যশিংগী পুলিস ওফিসার কয়া শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা ইন্টরনেসনেল পুলিস কোরপোরেসননা পায়খৎপা থবক কয়াগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা মরাল লৈরবা মীওইশিং লৈবাক অসিদা পুরক্তুনা মতিক চাবা দন্দি ফংহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অৰাং নোংপোক্তা শান্ন খোৎনবগী লমদা হেন্না চাউখৎনবা অনিশুবা হায় লেবেল টাস্ক ফোর্স মীফম পাঙথোকখিবা, শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ইগজকিটিব দিরেক্তর ফাখিবা অমসুং মনিপুর রাজবারি থুগায়খিবগী মায়োক্তা শিল্লোংদা প্রোটেষ্ট তৌখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী রিজনেল ওফিসার-মৈস্নাম রেতেনকুমার সি.বি.আইনা ফারে। মহাক্কী য়ুমদগী শেল ওইনা লুপা কোতি অনি লাখ ৬২, লন-থুম কয়াসু ফাগৎখ্রে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হুইয়েন লানপাউ অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গভনরনা দোল্লর মন্ত্রি-সিন্ধিয়াগা লোয়ননা অনিশুবা হায় লেবেল টাস্ক ফোর্স মিতিং পাঙথোকখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেল অমসুং মনিপুর মেলদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

রেড লেন্দ বিল্ডিং থুগায়খিবগী মায়োক্তা মেক্সনা খোঙজং চংশিনখ্রে। গভনর মরি লৈনবশিংদা কয়ারক তকশিনখ্রবসু নম্ফুদা রাজবারি থুগায়খিবনি হায়না সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-অফবা অমা শেমগৎপদা মতম য়ামা চংলবসু থুগায়বদি মীকুপ্তা লোয়শিনবা য়াই হায়বদু চুমলে হায়না হান্নগী চীফ মিনিস্তর-এন. বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক-সটদাউন্দ লোয়শিনখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। ষ্ট্রাইক অসিনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে হায়না পাউচে অসিগী ইংলিস এদিসনদা

ফোংলি।

মনিপুরদা পোলিও হিদাক পীথকপগী চাং চাদা ৯০ য়ৌরে। মায়কৈ কয়াদগী আশা ৱাকরশিং থাগৎপা ফোংদোরকরক্লি হায়না পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

তমেংলোং জিলাদা আশা ৱাকর অমনা মখোঙনা কিলোমিটর ২৮ চৎতুনা পোলিও হিদাক পীথকখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমস অমসুং মোরনিং বেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।